# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-10-2025)**

**পোলিও(এল)ঃ** লৈবাক অসিদা ঙসি পোলিওগী সব-নেসনেল ইম্মুনাইজেসন নুমিৎ পাঙথোক্কুনা পোকপদগীনা চহি ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং পোলিও হিদাক পীথক্কদৌরি।

ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৪ ফাওবা চথুগদবা পোলিও হিদাক পীথকপগী থৌরম অসিদা পুন্না অঙাং লাখ ৩ লিশিং ১৬,৬৭১ হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি। হয়েং অহৌবা নুমিৎতা বুথ-বুথদা হিদাক পীথক্কনি। মসিগীদমক পুন্না বুদ লিশিং ৩,১৬৭ হাংদোকবা শেম শারে। হয়েং অমসুং হংচিৎতনা পোলিও হিদাক পীথকহৌদবা অঙাংশিং য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা হিদাক পীথক্কনি।

সব-নেসনেল ইম্মুনাইজেসন নুমিৎ হৌদোকপগী থৌরম মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেস অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফালগী ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা দাইরেক্তোরেট অসিগী দাইরেক্তর-ডা: এন. বিনো সিংহনা হৌদোক্কনি।

**দেঙ্গি (এল)**ঃ রাজ্য অসিদা দেঙ্গি লায়নানা মরম ওইদুনা বিষ্ণুপুর জিলাদগী মীওই অমা লৈখিদ্রে। চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী ঙরাং ফাওবদা রাজ্য অসিদা দেঙ্গিগী পোজিটিব কেস লিশিং ২,২৯১ থেংনখি। হৌখিবা পুং ২৪ দা দেঙ্গিগী অনৌবা কেস ১২৪ থেংনখি।

সরকারগী চেরোল অমনা হায়-হায়রিবা মতম অসিদা পুন্না সেম্বল ২৩৮ টেষ্ট তৌখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা সেম্পল ১৪০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮৪ দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদনা মীওই ৪৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২১ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। সেনাপতি জিলাদনা মীওই ২১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী ঙসি ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ৫,৫৪১ টেষ্ট তৌবদা মীওই লিশিং ২,২৯১ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়ামা মীওই লিশিং ১,৬৫৬ পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

**পিদিএ (এল)**ঃ শিল্লোংদা লৈবা রাজবারি বিল্ডিং শিদোকখিবা অদু হান্নগীগা চপ মান্নবা মওংদা অমুক শাদুনা মতম কুইনা লৈহৌনবা পায়খৎপা খোঙথাং অমনি, ঐতিহাসিক ওইরবা বিল্ডিং অদু পুংমুৎ মুথৎনবগী ৱাখল্লোনদা তৌবা নত্তে হায়না রাজ্যগী প্লান্নিং এন্দ দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (পি.দি.এ) গী চেরোল অমনা শেংদোক্লি।

চেরোল অদুদা হায়-চহি ৮০ হেল্লবা বিল্ডিং অসি মতম শাংনা শেমজিন শাজিনবীদনা লৈরক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা বিল্ডিং অদুগী ফিভম শোকচিল্লে। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা হায়জরকপদগী বিল্ডিং অসি শেমজিন্নবগীদমক ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট ওফ হেরিটেজ কমপ্লেক্স-শিল্লোং কৌবা প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা শেমখি অমসুং দি.পি.আর. অদু অয়াবা পীবিদুনা শেল থাদবীনবগীদমক নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন.ই.সি) দা পীখৎখি। এন.ই.সিনসু প্রোজেক্ট রিপোর্ট অদু কুপা য়েংশিল্লবা তুংদা ২০২৩ গী জলাই থাদা অয়াবা পীরকখি।

চেরোল অদুনা হায়-প্রোজেক্ট অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি, অরীবা অমদি শোকচিল্লবা রাজবারি বিল্ডিং অদু নৌনা অমুক শেমজিনবনি। মসিদা হান্না লৈরম্বা বিল্ডিং অদুগী মওং মতৌ অমদি পাক চাউবনচিংবদা অহোংবা অমত্তা লৈহল্লোই।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বজারদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পিগী মীওই অমা ফারে। বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱার্ড নম্বর সিক্সতগী কে.সি.পি (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওব এস.এম. করবাইন্দ অমা, এ.কেগী মেগজিন অনি, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৪ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

জিলা অসিমক্কী ওন্বা হিল ক্রোসিং এরিয়াদগী কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী এক্তিব কেদর অমসু ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অদুদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কোঙা অমসুং লোঙা কোইরেং খুলগা ফাওনবা আই.বি.আর. রোড ঙাইরাংবম লৌকোল এরিয়াদগী মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা মোদিফাই থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল মঙা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নিশাগী পোৎলমশিং য়োনবা মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী হেরোইন কিলোগ্রাম অহুম, সাইকোত্রোপিক তসরেক্স-টি.আর. সিরফ বোটল ৮, শেল ওইনা লুপা লাখ ৯ লিশিং ৫৭, এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা, কারটিজ অনি অমসুং চাকা মরী পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নোর্থ এ.ও.সিদগী মীওই অমা গ্রাম ৩০০ রোম লুম্বা সেমপ্লেক্স কেপসুল ৫৪৪ ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসি মনিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী রাইফলমেননি হায়বা খঙলে।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী বোংমোল খুলদা লৈবা পাথ ফাইন্দর একাডমীদা সাইভর ক্রাইম অমসুং প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সচুয়েল ওফেন্স হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতি-সেনাপতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এসিষ্টেটেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর এদভোকেট-শ্রীমতি লমনৈচোং কিপজেননা সাইভর ক্রাইম অমসুং পোক্সোগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরমদুদা মহৈরোই ২০০ রোম শরুক য়াখি।

**বিহার ঃ** বিহারদা রাজ্য বিধান সভা মীখলগীদমক এন.দি.এ. অমসুং গ্রান্দ এল্লাইয়েন্সতা য়াওরিবা দলশিংগী মরক্তা সিট য়েন্নবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি।

বি.জে.পি. কোর কমিতিগী মীফম অমা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা দলগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দাগী য়ুমদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী গৃহ  মন্ত্রি-অমিত সাহ অমদি অতৈ বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা এন.দি.এগা চুংশিন্নরিবা দলশিংগী মীরেপ ওইগদবশিং অমদি বি.জে.পিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

অমরোমদা, গ্রান্স এল্লাইয়েন্সতা য়াওরিবা দলশিংগী মরক্তসু সিট য়েন্নবগী থবক চত্থরি। রাস্ত্রিয়া জনতা দলগী প্রসিদেন্ট-লালু প্রসাদ য়াদবনা ঙরাং দলগী লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং অরোইবা ওইনা লেপথোকবা হোৎনখি। কংগ্রেস দলনসু পাটনা অমসুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা দলগী লুচিংবশিংগী মরক্তা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মীফম পাঙথোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্য অসিদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেন্নগনি হায়বা, দিল্লিদা চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নরুবা এম.এল.এশিংনা ফোংদোকখিবা ৰাম, শিল্লোংদা লৈবা মনিপুরগী রাজবারি থুগায়খিবদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরকপগী পাউ অমসুং ভেটেরিয়ান পোলিটিসিয়ান ও. জয়না শিল্লোংগী রাজবারি থুগায়খিবগা মরী লৈননা ফোংদোকখিবা ৰাফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মনিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা শিল্লোং রাজবারি বিল্ডিং চপ মান্নরা নৌনা শানবা শিদোকপনি হায়না পি.দি.এনা ফোংদোক্লিবা ৰাফম অমসুং বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং থোকবা হৌরক্লে। নবেম্বর ফাওবদা গভরমেন্ট শেন্নগনি হায়না এম.এল.এশিংনা থাজনরি হায়বা পাউশিং অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং মাইখুম উপ্লগা অতোপ্পা পার্টিদা মীরেপ ওইরক্লগনি, চেকশিনমীন্নসি হায়না লোক সভাগী এম.পি. বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৰাফমনা পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল পাউচেদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোংবু মহে মরোং পুথোকপদা ইন্দিয়াগী তোপ টেনগী মনুংদা চলহন্নবা পান্দম থল্লি হায়বা পাউ য়াওনা তাদুবী এ.সিগী বাই ইলেক্সন পাঙথোকবা ই.সিদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা

ফোংলি।

সিয়ার এন্দ কিয়ারগী সিলভর জল্লি থৌরম পাঙথোকখিবা, থৌরমদুদা পুকিং ৱাখলগী অনাবা মায়োকরিবশিংদা করেম কথাইনরোইদবনি হায়না আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ৱাইল্ড লাইফ কনবদি লাইরদনা মীতৈ ফাওবা মুৎকদৌরবা তঞ্জা অসিদা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক আই.দি.পিশিংদগী মপুং ফাবা ৱাৎলি হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মালেমগী অঙাং নুপীমচাশিংগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পুয়া মৈ থাদোকখিবগী পেন্নদ্রিঙৈ মনিপুর রাজবারি উফুল তানা থুগায়বা অসি বি.জে.পিনা মনিপুরগী পুৱারী মুথৎনবা হোৎনবনি হায়দুনা ভেটরান পোলিটিসিয়ান ও. জয়না বি.জে.পিদা মরাল শিবগী পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মনিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লামাইদসু ফোংলি।